**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-03-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি-হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংলেপ পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা ওল্ড নাবিলদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা পোকখায়বা য়াবা মচাক কিলোগ্রাম ৬০ রোমগা লোয়ননা ফুট তরেৎ শাংবা কন্ত্রিমেট রোকেট অমা, কন্ত্রিমেট সিঙ্গল বেরেল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী ইমতি কেস তরেৎ, মেগজিন মরি, মোটোর বোম অমা অমসুং পম্পী অমা ফাগৎখি।

মনিপুর পুলিসনা জেনিমসকী নর্সশিংদগী শেল খোমগৎপগী কেস অমগা মরী লৈননা থিজিনবদা মদুদা চেন্নবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই মরিসু ফারে। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লাখ ৩৯, মোবাইল ফোন ৬ অমসুং পিষ্টোল ফাগৎলে। ফারবা মীওইশিং অদুনা কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গীদমক শেলশিং অদু খোমগৎপনি হায়বা য়াজখ্রে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা লিলোং বজার এরিয়াদগী মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, মরু তরেৎ, হেরোইন পাউদর গ্রাম ৪৯৪, মোবাইল ফোন মরি অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং ফোরেষ্ট গেট এরিয়াদগী আর.পি.এফ.-পি.এল.এগী নুপী অমা অমসুং ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিংদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমসু ফারে হায়না পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়রি।

**চাইল্ড(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিনদুনা জ্বিনাইল

জষ্টিসকী মতাংদা রাজ্য থাক্কী ওইবা খন্ন-নৈনবা অমসুং সেন্সিটাইজেসনগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস এম. সুন্দরনা অথোইবা অতিথি ওইনা শরুক য়াগনি।

**লাইরিক(এল)ঃ** ডা: রাজকুমার লেনিন সিংহনা ইবা ‘মেন্টেল হেলথ ফোর এব্রি ৱান’ অমসুং ‘ঐদি ঙাওসু ঙাওদনা’ অমদি নিংথেম্বা চিংশুবমনা ইবা-‘দা সোংস ওফ দা নোংইন’ কৌবা লাইরিক অনি ঙরাং ইম্ফালগী রিমসকী ডাক্তর কমল হোলদা ফোংখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংচুপ বঙ্গলাগী লাক্লিবা রাজ্য বিধান সভা মীখল অসি বেঙ্গোলগী থৱায় অমসুং হিংনবগী লানফম অমনি।

কোলকাতাগী ঐতিহাসিক ওইরবা বিগ্রেদ পেরেড গ্রাউন্দদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পরিবরতন সংক্লপ রেল্লিদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিবু হুল্লদুনা হন্দক কাংলুপকী ওইবা থৌদোক্কী মতাংদা মহাকা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু সংবিধানগী ৱাংমদনি হায়খি। নারোলদা মী চংল্লকপদা শৌগৎলি হায়নসু মহাকা সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা মরাল শিখি। রেল্লি মফম অদু তমা বি.জে.পিবু শৌগৎপা মীওইশিংনা তোংদুনা লাকপা গাড়িশিংদা অথিংবা পী হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য সরকারবু মরাল শিখি।

মদুগী মমাংদা শ্রী মোদিনা ঙরাং কোলকাতাদা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৭০০ রোমগী লম্বী থোং, রেলৱে অমসুং হিথাংফমগী প্রোজেক্ট কয়া যাত্রা হুনখ্রে অমদি শঙ্গাখি।

**রনধিরঃ** মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক-রনধির জেসৱালনা

হায়রি-ভারত্তা হৌজিক হারগী অৱাৎপা লৈতে। শ্রী জেসৱালনা হায়-লাক্লিবা লৌউ পন্থা অসিগীদমক য়ুরিয়াগী চাং মমাং চহিদগী হেন্না মরাং কায়না লৈরি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং ইন্টর মিনিষ্ট্রেয়েলগী ওইবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-দি.এ.পিগী চাংসু মমাং চহিগা য়েংনবদা শরুক অনি হেন্না লৈরি। মসিগী মথক্তা নাইত্রোজেন, ফোরসফরস অমসুং পোটাসিয়ম হারনচিংবসু মমাং চহিদা লৈখিবা চাংশিং অদুদগী হেনগৎনা লৈরি।

**রাধাকৃষ্ণনঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-ভারতপু ২০৪৭ ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা নহারোলশিং অমদি মহৈরোইশিংগী মপুং ওইবা থৌদাং লৈ।

হিমাচল প্রদেসকী ধরমশালাদা সেন্ত্রেল য়ুনিভরসিতি ওফ হিমাচল প্রদেসকী ৯ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-চাউখৎপগী লম্বীদা চংশিন্নবা হোৎনবদা রাজ্য নৎত্রগা খুন্নাইগী কাংলুপ অমত্তা শোত্থনা থল্লম্বা য়ারোই। মহাকা হায়-হৌজিক্কী মতমদা য়ুনিভরসিতিশিংনা ফেক্লতিশিং শেমগৎ শাগৎপা, ইনোভেসন অমদি পুন্না থবক তৌমীন্নবগী থৌওং হেনগৎহনবদা মাংজিল থাবা  মীৎয়েং চংলবদি ভারতকী হয়ার এদুকেসনগী থৌশিল অসি মালেমগী অতৈ মফমশিংগা চাংদমবা ঙমগনি।

**এসআইটিঃ** জম্মু কাশ্মিরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং জম্মু কাশ্মির নেসনেল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট-ফরুক অব্দুলাবু হাৎনবা হোৎনরম্বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা জম্মু কাশ্মির পুলিসনা স্পিসিএল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস.আই.টি) শেমখ্রে।

জম্মু কাশ্মির পুলিসকী দি.আহ.জিগী মীৎয়েং মখাদা এস.আই.টি. অদু শেম্বনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কুপা থিগৎতুনা মখোয়গী রিপোর্ট অককবা মতম অমগী মনুংদা পীখৎনবসু মীওই কাংবু অদুদা খঙহনখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ১১ দা জম্মুদা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওরিঙৈদা ফরুক অব্দুলাবু হাৎকে তৌরম্বনি।

**হোকিঃ** হায়দ্রবাদতা ঙরাং শান্নখিবা এফ.আই.ঐচ. ৱিমেন হোকি ৱার্ল্ড ক্বালিফাইয়রগী ফাইনেলদা ভারত ইংলেন্দগী খুৎতা পাঞ্জল ০২ দা মায়থিরে।

অদুমওইনমক, ন্যুজিলেন্দ অমসুং বেলজিয়মনা যুন্নু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহি অসিগী মেগা ইভেন্টতদি ভারত য়াওবা ফংলগনি। ইংলেন্দগী পাঞ্জল অনি অদু শান্নবগী ১৩ শুবা মিনিটতা গ্রেস বালসধন অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা ইলিজাবেদ নিয়েলনা চনখিবনি।

**পেরাঃ** ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক গ্রান্ট প্রি-২০২৬ কী ন্যু দিল্লি লেকতা ভারতনা পুন্না তকমান ২০৮ ফংদুনা মেদল টেল্লিদা মকোক ওইরে।

যুন্নু ভারতনা সনাগী তকমান ৭৫, লুপাগী ৬৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৬৪ ফংখি। অদুগা রাসিয়ানা পুন্না তকমান ৩৫ ফংদুনা অনিশুবদা, বোসনিয়া অমসুং হরজগোবিনা অনিনা তকমান অহুম-অহুম ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

চীফ মিনিস্তরনা ইম্ফাল-সাইকুল লম্বী শেমজিনবগী থবক হৌহনখ্রে। খুন্নাইসিগী নহাশিংবু মাংলোমদা পুখৎনবা লৈৱাক অসিনা চপ চানা লেপলি হায়না চীফ মিনিস্তর-যুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। লোক অধালত পাঙথোকখ্রে। ক্রোর অহুম লাখ ৩৪ গী শেনফম ওইগদবা কেস ৩১১ য়ান্নবা পুরকখ্রে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-চাউখৎ থৌরাংদা উমংগী লম স্কার কিলোমিটর ৯ শিজিন্নথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। সটদাউন্দ য়ানিংদে, ফাজিনখিবা গাড়ি পীথোরকউ হায়না তাংখুল নাগালোংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা-য়ু.এস-ইজরেল-ইরান ৱার হায়বা কেপসুল অসিগী মখাদা ইন্দিয়াগী এল.পি.জি. পুবা জহাজ অনি ষ্ট্রেট ওফ হোরমস লান্থোরকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। ইঙ্খোলদা তারন্থা বোম পোকখায়বদা এ.আরগী এক্স সার্ভিসমেন অমা শোক্লে, চহি মরিগী মচানুপা শিরে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মায়ামনা পামা চান্নরিবা ঙারি, হেন্তাক অমসুং সিদলদা মাইক্রো প্লাষ্টিক য়াওবা থেংনরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা রাজ্য অসিদা সেন্সসকী থবক য়ৈথোকবা সরকারদা তকশিল্লি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-আই.এমনা কাংপোকপীদা অকোইজম নোংঙানবা হাৎখিবগী কেস হায়বা কেপসুল অসিগী মখাদা য়ুনিয়ন লৈঙাকা লেপথোক্ত্রবদি এন.আই.এনা কেস অমগী ইনভেষ্টিগেসন নাইতোম চথবা ঙমদে হায়রক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ত্রক মৈ থাবদা চেন্নবা মাওই অমা ফারে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-মরিং উপারুপ এসেমব্লিনা রাজ্য অসিদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খঙদোক্কুনা মরৈবাক্তা হলহনদ্রিবা ফাওবা মীকোক থিবগী থবক তৌবীদনবা সরকারদা তকশিল্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। হৌখিবা থা অনিরোম অসিদা স্কার কিলোমিটর ৯ লোমদা থারন্থা পোপী পান্থীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-চীফ মিনিস্তর য়ুমাম খেমচান্দনা এন.সি.সি. কেডেডশিং তরামা ওকখ্রে, নহাশিংগী য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখ্রে হায়বা অহানবা হেদলাইন তৌরি।